# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লাই-উতোং

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**লাই-উতোং** পাম্বী অসিগী মমিং অসি হেক তাবদা থোইদোক হেন্দোক্না মগুণ লৈবা পাম্বী অমদি শোয়দনা ওইরমগনি হায়না মীয়ামা ফাওবিরমগনি। লাই-উতোং পাম্বী অসি ইংলিসতা হোর্সটেল (Horsetail) নৎত্রগা স্কোরিং রস (Scouring rush) নৎত্রগা ইকুইসেটম (Equisetum), নেপালিদা সিমে ঝার (Sime Jhar) নৎত্রগা য়োফুলি (Yophuli), চাইনিজদা মু-জি (Muzei), ফিলিপিন্সতা সুম্বক (Sumbak), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ইকুইসেতম দেবিলি (Equisetum debile Roxb.)* হায়না কৌই অমসুং *ইকুইসেতেসী (Equisetaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। অতোপ্পা বোটানিষ্ট খরগী মতুং ইন্নদি লাই-উতোং পাম্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অসি *ইকুইসেতম রেমোসিসিমম (E. ramosissimum Desf.)* হায়না থোল্লি। অদুবু অয়াম্বা বোটানিষ্টশিংনা পীবা মতকী মতুং ইন্না ইকুইসেতম দেবিলি অমসুং ইকুইসেতম রেমোসিসিমম অসি সিনোনিমস হায়বদি চপ মান্নে হায়বসিনি। অদুম ওইনমক তোঙানবা সবস্পেসিস হায়বদি ইকুইসেতম রেমোসিসিমম সবস্পেসিস দেবিলি হায়বা অসি ময়াম্না য়ান্নরবা সবস্পেসিস মখল অমনি। লাই-উতোং পাম্বী অসি চাইনিজগী অতোপ্পা মরোলদা বি-গুৱান-কাও (Bi-guan-Cao) হায়নসু অদুমক কৌনৈ অদুগা ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদনা সতগন্দি বুতি (Satgandi booti) হায়না খঙনৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লাই-উতোং পাম্বী অসি খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং, খা থংবা চাইনাগী মফমশিং, ইন্দিয়া, নেপাল, ম্যান্মার, টাইৱান, হাইনান, ফিজি, ন্যু কেলেদোনিয়া, ফিলিপিন্স, শ্রীলঙ্কা, লাওস, কম্বোদিয়া, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, বোর্নিও, থাইলেন্দ, সুমাত্রা, জাভা অসিনচিংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। হিমালয়গী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ২৬০০ ৱাংবা মফমশিংদা থোইদোক হেন্দোক্না মপূং ফানা হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু লাই-উতোং পাম্বী অসি অনেম্বা চীংগী চীংখোঙ-চীংয়াশিং মরুওইনা চোৎ চোৎ লাউবা অমসুং ঈশিং তুংদুনা লৈবা মফমশিংগী অকোয়বদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। তম্পাক্কী মফমশিং মরুওইনা পাৎকী মপান্দসু লাই-উতোং পাম্বী অসি অদুমক হৌবা থেংনৈ।

লাই-উতোং পাম্বী অসি ফুট ৩-৪ রোম ৱাংবা চপ য়ুংনা হৌবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মশা অদু লংচাক্কুম্না হোবা অদুগা মতাং পানবা অমসুং মশুং শাংনা নাইবা মচু শংত্রিক শবা পাম্বীনি। লাই-উতোং পাম্বী অসি টেরিদোফাইট (Pteridophyte) হায়বদি লাই চাংখ্রং (Dryopteris) গী কাঙলূপ্তা চল্লি। পাম্বী অসিগী মতাং (Node) শিংদা অপীকপা মসাশিং (Branches) কয়ামরুম ইকোয় কোয়না পুখম অমগী মওংদা পাল্লি।



লাই-উতোং পাম্বী অসি ইসপোরস (Spores) হায়না খঙনবা মরূশিং পাম্বী অদুগী মখোক্কী মতোন দা কোন (Cone) গী মওংদা শাংতক্না পাল্লি। হায়রিবা মরূশিং অদু জুন থাদগী জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা পল্লি অমসুং মদুগী মতুংদা মরূশিং অদু চোৎ চোৎ লাউবা লৈবাক্তা তাখ্রবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মতোন চোংদুনা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসিগী মউ অসি লৈবাক মনুংদা শন্দোক্তুনা তাই অমসুং মদুগী অকোয়বদা শন্দোক্তুনা অনৌবা পাম্বীশিং হৌবা ঙম্মী।

বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লাই-উতোং পাম্বীদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দ নৎত্রগা মচলশিংদি - Pinocembrin, Chrysin, $\beta$-sitosterol, $\beta$-D-glycosylsitosterol, $\beta$-D-glucose, Flavonoid glycosides, Fatty acids 12, 13, Flavonoid glycosides (Kampferol 3-0-sophoroside, Kaempferol 3,7-0-$\beta$-D-diglucopyranoside, Kaempferol 3-0-sophoroside - 7-0-$\beta$-D-glucopyranoside, Kaempferol 3-0-sophoroside অমসুং Caffeoyl - methylate - 4-$\beta$-gluco-puranoside অসিনচিংবনি।

হীদাক ওইনা লাই-উতোং পাম্বী অসি কুইরবা মতমদগী থোইদোক হেন্দোক্না শীজিন্নরক্লি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি লাই-উতোং পাম্বী অমসুং লাই-চাংখ্রং পাম্বী অসি চাং মান্নবা লৌরগা ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা লৌবা মহী অদুনা ঈরুজদুনা মখল-মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংদুনা লাক্লি। লাই-উতোং পাম্বী শুগাইরগা শেম্বা অনঙবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা তাং-তাং চীকপা-নাবা তৌবসি মলেসিয়াগী মীওইশিংনা অরিবা লায়েং পথাপ্তা শীজিন্নরকপগী পাউদমসু লৈ।

অফ্রিকাদদি লাই-উতোং পাম্বী শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা জোন্দিস, হেপাটাইটিস অমসুং কিদনিগী অনাবশিং লায়েংনৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা ঈশিং য়াফম তৌরবদি লাই-উতোং পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু ঈশিংদা য়ানশিন্নরগা পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। নেপালদদি লাই-উতোং পাম্বী শুগাইরগা শেম্বা অনঙবা মহী অদু তৈদুনা চাথৎপা (অলসর) অসি লায়েংনবগী পাউদম লৈ। ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা লাই-উতোং পাম্বী অসি ঈশিং মরীদা নাবা অমদি কিদনিদা নূং লৈবা অসি লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না বাংলাদেশতদি লাই উতোং পাম্বী অসি শুগাইরগা শরূ তেকপদা থোমদুনা বেন্দেজ ওইনা য়েৎলগা কুইরবা মতমদগী লায়েং পথাপ অসি চখরক্লি। লাইহৌ য়াম্না কন্না হৌরবদি লাই-উতোং পাম্বীগী অনৌবা মতোন অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা লাইবক অমসুং খোং-খূৎতা তৈবদা থোইদোক্না কান্নবা ফংবা ঙমগনি। থোইদোক্না পূক্লিং চিংশিনীংঙাই ওইবা পাউদম অমদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী বাংলাদেশকী মীওই কাঙলূপ খরনা লাই-উতোং পাম্বী অসি কেন্সর মখল কয়ামরুম মরুওইনা খোম, লিভর, থীবোং-থীরিল, চাকখাও, কিদনি অমসুং চিন-লৈগী কেন্সরশিং লায়েংনৈ হায়বসিনি। বিজ্ঞান্না থিজিনবদগী খংবা ঙমখ্রে মদুদি লাই-উতোং পাম্বী অসি N-hexane, Ethyl acetate অমসুং n-butanol হায়রিবা কেমিকেল মহীশিং অসিদা শুগাইদুনা শেম্বা মলম অসি বেক্তিরিয়া মহীক কয়ামরুম হাৎপা ঙম্মী। অতোপ্পা চাংয়েং অমগী মতুং ইন্না লাই-উতোং পাম্বী আলকোহলদা শুগাইরগা শেম্বা মচল অসি উচি অমসুং থেবগী Triglyceride অমসুং Total Cholesterol অসি মপূং ফানা হন্থহনবা ঙম্মী হায়না উৎখরে। লাই-উতোং পাম্বীদা সিলিকা (Silica) গী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না উ পাম্বী অমসুং চফু-উয়ান ফেংবগী য়াম্না ফবা পোৎচাক অমা ওইনা শীজিন্নে।

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল লাইরেম্বী ইমাগী ৱাচৎ-মরূৱা -২

অঙোম সলাই পিবারেল মৈতৈ

**হাওবা** ইপা সোরারেল সিদা-য়াই, নাদ-য়াই, মরূ ঈহুল তল্লিবা, সিদা মপুং-য়াই লংদাইরিবা, ইহুল তল্লিবা। য়াই লংদাইরিবা, সিদা উপাল থাবিররো। সলাইরেল সিদবা, য়াওল-লংদাই তাইরিবা, পরম অসিদি পনবা য়াদবনিনা, খুন্নাইলক্তা খুলজংগে। খুল্লোইনরক্তববু খুল্লোইন-শনবীখ্রে-এ। খুরক হাংদা তাউথবী মমু শৎপিখ্রে-এ। তাওজিং হৈরাং মরূ অচংবতনা কোলোই মিংখৈ শোঞ্জগে-এ। তেক্তা-কাইদবা, হৈমন-লৈমন খুলতোকপা ঙম্ববু খুন্নাইসিগী চঙনা-হৈনা য়োক্কে, য়াইয়োক্কে-য়াইয়োকপীখ্রে ইমানা। লমলেন পনঙাক সিংঙাক্লিবী, হৈনা য়োক্কে-য়াইয়োক্কে। কৈথেল লাইরেম্বী ইমানা তাপীখ্রে। লম্লেন পনঙাক শিংঙাক্লিবী নতিক নয়াইতনা ঙাম্বোইরীবী, লায়র-অনং খাইদবী, মীয়োক-নাওয়োক, মীকন-মীচান ফজবী-য়াইফবী, পীবুক থলনা নাওয়োক নাওকোল্লিবী, কৈথেল লাইরেম্বী ইমানা কৈবি, খোংমাই হনরাইনরে-এ।

অপিক-অচৌ খাইরে, লাইনা মরম খঙগে নিরকলে-এ। ইমা লাই শাফোংখ্রে। কে-কু ফোং-ফোং ফোংবিখ্রে-এ। য়েৎনা নম্বা য়াররোইসে লৈকাই পল্লান-পন্থুংনরকপা, শামু মীনোক শদি হোয়বীখ্রে-এ। শা-মরক শাথোং-এ। লাই মরক লাইথেংনৈ-এ, লাই-মরম লাইশেং-এ। অমাং লিক্লম শানমলৈ, নোংলৈ-নুংশিৎ নংনা থৌ, থৌমাং লিক্লম কাইবা-তোয়বা নোংদম খোই, খোইশাওনবা লাংলৈ মা শ্যা। ৱায়েল কাতি চরপ (৩) চপথৎখ্রে-এ। খোইদৌৱা লংদাই। হোয় পম্বেং শানোয়খ্রে-এ। খোইমাং চরোং চুম্মারোইশে-এ। সিদা উপাল থাবিখ্রে ইমানা। মউদি লেংদা উপাল তুংদনা, ঈপাল থাদুনা মরূ পান্না পান্দম ফংখ্রে। নুং-পাল ২ পান্দম লৌখ্রে-এ। মউসু উজাউ তুররোই, মালেমদা মরা চেৎখ্রবনি-এ। মাননা নাহুই লোল্লরোই। মশিন-শিন্থা য়াইথৌ ঙাল্লানি-এ। শক্লোল মাংদনা থৌকারনি-এ। হাদা ইমা লাইরেম্বী, শাদম্না পোইরৈ-ই শথৌরে-এ। হৈরাংনা নেৎনা পান্দম ইহুল পুরক্লিবী। ঙসিনা লোয়বা তাইবঙ-লদা, আ-আ-আ নোংও চুথরো, নোংলিক ইরা-ইহৌরো। নোংজাসিগী নোংঙাল্লমদাই পুংজাদা নোংলিক্না মালেম 'কংলৈ' সে কৈথেল লাইরেম্বী ইমানা অমাংবা লৈরম্বদো চামথোকপিখ্রে-এ, কোকপিখ্রে-এ নোংলিক্না। ঙসিদগী তশেং-তশেংনা, তরু-তরুনা লৈখ্রে ইমাসু।

মালেমদা শাহুম লংদাই-এ। লংদাই ফবী শামরক, ঙামরক, শাদম হনৱাইখ্রে-এ ইমানা। সিদা মপুংয়াই নাওকনবিখ্রে-এ। নাদবা হি-য়াই চোল্লসে-এ। হি-পুরেল, য়াইপুরেল হুং মরূ লোংবা, হৈয়ারম হৈশে, হৈথোই, লৈথোইবা, হৈজং-৩, লৈচং-৩, লৈঙাক-৩, লৈহৌশে, লৈকলখ্রে ইমানা। ইমাং হেক মাংহল্লোই, ইমা লৈকো তাকপীখ্রে। কৈথেল লাইরেম্বী নম্বুল খোংবানগী সনা-খোংনাং মখোংদা ঙাম্বোইরিবী ইমানা তাকপীরকই। য়াইফৈ-এ। লাইরবা পোল্লোই হল্লোইএ, লৈরিক-লৈরা থলহনবীখ্রে-এ। লাইনা হায়বা ৱাদি শোয়ফুদে-এ। মায়কৈ লেপ্লকউ তাকপীরক্লে, ইরৈচাশিংদা ইমানা। পিনা-পানা পোরেল লোন্দনা হিংলকউ হায়নসু ইমানা হোয়াবিদুনা থৌদাং ওইহনখ্রে ইরমদমসিগী/পোরোল লোল্লম্বা ইমানা শৎপিখ্রে। তাকয়েল-লম্ফেল অনীসে লংফেল নাইররোই-এ। মীৎ অনী তরং-তরং পাংহনবীখ্রে-এ। মিৎ অনী হায়বদি সোরারেল-সালাইরেল শিদবা ইপাগী মীৎ য়েৎ ওইবুনি-এ। খঙজিল্লু তাইবঙচাশিং।

সিদা মনাই, হৈমাংচা, লাইমাং, শারোই, লাইশুপ লা, অশি মচা তাহল্লরোই, পোরোল লোন, পুসুপ-পাসুপ লাই, পল্লেপফম খঙবা তম্বীরগে তাকপীরে। নশা, হরিশা, চাং তারিৱা, মরেক মহাও থোল্লৱা, য়াংতিং-৩, য়াংদৌরোহে ইশুশা। পান্দমগী মরূদি নবেল ঐনা পনঙাক শিংঙাকখ্রে-এ। থৌদাংগী লম্বী অথোই-অহেন, অকাবা, ফংজরো, পীবিখ্রে ইবেন্না। থৌবরেল-য়াইবরেল, নুংবারোল, শায়োন্নুংদগী, নহান-নুংদগী ৭না মৈবী-মৈবা লাংবা শাহৌ লমঙানবা, মথৌ-মঙম পাংখ্রে, য়াইথৌ ঙানখ্রে। মাইথোং মকা লামখ্রে। সনাজিং চোনবা পকচরো। কশাগী লম্বী শাথুপ্পা কোকপীখ্রে-এ। য়াংদৌখ্রে-এ (৩) সনানা ময়ুং কাখ্রে-এ। ঙসিগী পুর্ণিমা মথৌসে, থানিন্না ঙালগুম ঙানখ্রে, থাজা মায়দা মায়হিং কাবা য়াদবগুম, থাদা মায়থোং মকা লাম্মরে-এ। থানিন্না মপূং ফাররো, ইচা-ইনাই কল্লরে-এ। লাংওন ফজবা পুররে-এ। ননা কলগনুকো, নয়াই লৈমা য়াই-য়াইচোল্লো। ননিং লৈনা, ননিং-নখা তম্মো-তাকপীরে ইমানা। লৈসনম, লাইমাবা, তুমাবা কোকপীখ্রে-এ। মীতুম, শাতম, লাইতুম্বা কোকপিখ্রে-এ। মীরাল, মীপোক, মী থৌদাং লাংলৈ হলৱাইবীখ্রে-এ। অশি-অনা, অৱা-অনা থা, লাংলৈ শাৎখ্রে-এ। শাশৎ-লম্বী, শাথুপ লাই-ঈ, ঈখোং তেংনুং, নুংখোং তেংখ্রে-এ। নম্বুল লাকপা ঈপানা লাংলৈ হোইথখ্রে-এ।

শ্যাই লাওবী শানোয় লাংথেল, তরং নোংশাবা, নোংখুম লৈনা শানোয় ঈরৈ হলৱাই-এ। লৈমাই তরং-মালং শ্যা। লৈমাইদা অমাংবনা নোৎ- (২) নেতুনা শাথুপ লাংথুপ্পা হনৱাইখ্রে-এ। নম্বুল লাকপনা অমাং-নম্বো পোবা তুরেল ঈচাউদা হোইথখ্রে-এ। খলনাইসে অমাংবা লোইশিনখ্রবনিনা তরু-তরুবা, মীরক মীচনখি ওইদবদা লাক্লবনি-এ। তরং-পুবা লাই মাংখ্রে-এ। লাংওন থুপ্পা লৈহৈদ্রে-এ। শামম, য়াইনম, নুংলম-খোং, খোংলৌ-মরূ ঈহুল তম, শাবেংশা, শাশৎ-লাইশৎ, মরূ ঈহুল তম, শা-শৎ, শা, শৎ-শৎ, লাইশৎ, শৎ-শৎ শৎখ্রে-এ। ঙারক, ঙাতেম, ঙাহৌলোয় লোয়নরসে-এ। হৌ-হৌ কানা-নৱা ঙাহৌ চীনতম-ও, হৌ-কারো। হৌবি কংলৈ শকখঙলো/হাওবা মরূ-ঈহুল তল্লসে। তাওয়োক, নাওকোল ঙম্বদা থৌদাং চাউনা য়াইপুরো। পোরেল-৭ শৎলে-এ। পোঙাক, হৈঙাক, লৈঙাক, লৈহৌ লৈকনবিখ্রে-এ। তমথীবা মীৎয়েং পোকপীখ্রে-এ। তম্ফা-য়াইওইবীনা হী-য়াই কনবীখ্রে-এ। আমঙ লোইবীই, শানোয় হৈরে-এ। তাইবঙ লোয়নশল্লে-লোইয়ুম্বা। ফিগৈদনা ফিশেংবা, লাংওনতনা লংদাইবা। লাংওন থুপ্পা লংদাইবা, পরৈ লোয়না হনৱাইখ্রে-এ। অশি খোংলম ফাৎলেদা। খুন্নাই মরূ অচংবা, খুলদিল-লৈলিনবদা, ঈ অশেংবদা খুলদিল্লসে-এ। ঈ-অমাংবা তাওথখ্রে, তাওথবী মমু শৎখ্রে-এ। ঈরাওখোল, য়াইখোল, নুংখোল, শানোয়খোল, লংদাই-লমলেন শাথুপলাই করিনা নোংদম্বনো। মী-লাই অনীগী নোংদমপাল, মনুংপাল শানোয়রো। পেং-শানোয়, ইবেং-শানোয়, লাই শানোয় নোয়রসে-এ। শাফম-লালফম, শাহৌকোক, লমঙাল হিরি তাইশিনখ্রে-এ। অমাংবা মুথৎখ্রে-এ। অমাংবা পিথোকখ্রে-এ। মরম খঙদবা অমাংবা মনিং-মখা তম্বা, খোঙ্গুল মুথৎখ্রে-এ। খোংগুল মুথৎলদি অশেংবা মালেম ইমাগী মমাঙদা তুবৎ লানবা ঙমদনা বোম-২ হেক তুদুনা অৱা হুইদোম লাংবা ওইখ্রসনো-পীথোকখ্রে-এ। হিথাংফমদা হিথুংফম, হিথুংফমদা হিয়াইরেল অকা-অকুম অনীদা দোলাই পাবা নখোয়না ফম্বাল তোংলে হায়রগা ইবুধৌ শকখঙদবমখৈ অৱা-হুইদোম লাংলম্বদো, কৃষ্ণ মুরালি-দন্দি মহাপ্রভু লম্বোইবা তানখ্রে ইমা লাইনা। লাইনা তানবনে-এ শোইফন্দবনে-এ। অশেংবা ইমা লাইগী মরূ ৱাগী ৱাচৎনে-এ। কংলৈ ময়োল পুংদা অমাংবনা মখৌ পোংনা খোংলিসে ইমানা চেনগাও-চেনতান তাখ্রগনি-এ। খঙহৌরোই লাক্লবনি চৎনে-পথাপ মতমগী য়াওলনি-এ। লাংফমদা খুদি থিরম্বা কোকপিখ্রে-এ। হুজিক্তি খুন্নাই য়োক্লসে-এ। খুলগল লৈকনবীখ্রে-এ। ইমা লাইনে, ইমানধৌনে, থৌদাং য়াই ফংখ্রে-এ-য়াইফংগে-এ। চারোং হাওবুং লৈশা তরংবা, মালং খোংনেৎ-শা, শৌ-শ্যা। মীশৌ-লাংলৈ, খৎ-খৎ খত্তোকখ্রে-এ। লাংজৈ মরম মনীং-খা চাউবদা, শম্বোই-লম্বোই হোইখ্রে-এ শল্লাং চোইজাইনফদ্রে-এ। খোমজল্লু, তাশল্লু, কোলশিল্লু য়াইবী, কোলশল্লু থৱায় মীরেল কোনশিল্লু। তুং-মাং-২ (অনী) লুচিং শমজি মীকৌবী ওইহল্লরোই তোয়না- (২)। কুইনা লোৎতুনা থল্লম্বা নহুম-শাহুম-লাংহুম কোকপিখ্রে। অকি তুজুং পোক্লুনু, অৱাবদি হন্দোকখ্রে-য়াইফরেস-৩। লমদম্বা ১০৮ কোকখ্রে-এ। মায়থোং মকা লাম্লনি। ফজবদা নিংথিবা মালেমগী অচংথোং লাউনা হাংখ্রে-এ।

পূক্লিং শেংশে, য়াইফরে-এ। কৈথেল লাইরেম্বী ইমাসে, ঙসিদি মচা, মশু, মনাইশিংনা অথেনপোৎ, হৈরম তরেৎ, লৈরম তরেৎ, তরেৎ শেঞ্জা, লফোই চং ১, হৱাই থরাক মরূ অচংবা, কোবী তাশিনবা ১, আলু, চেঙবী চেঙবানচিংবা কচ্চবদা নুংহৈবীখ্রে-এ। ঙসিদি কৈথেল লাইরেম্বী ইমানা মরূ খঙবা ওইরে তাপীরে-এ মচা-মশু, মনাই ঐখোয়বু। ইমাদি ঙসিসে নোকফেৎ নোকফেৎ হরাউবনা মরূ ফংনা ইমাগী পিবুক হৈনম-লৈনম কয়াগা লোয়ননা থনখ্রে-এ। 'ইমাগী শঙলেন অসি অমাংবনা কোয়শিন্দুনা লৈরম্বদগী ইমাসে মশেক মঙাল থোক্তনা পেন্দনা লৈরম্মী। ঙসিদগী শঙলেনগী চুথেক মরি, শুংতাই নিপান্দা উচান মৈরা ১০৮/১০৮ লাংদুনা অমাংবা হোইদোকখ্রে, কোকথোকপীখ্রে-এ, কংলৈ ইমানা। য়াইফরোল কয়াসু পীবিরে - ঙসিদগী লায়রবা অমত্তা থম্মরোই তাকপীরক্লে ইমানা। য়াইফরসিকো ইচাশা হায়না ইমা লাইনা য়াইফরোল পীবিখ্রে-এ। হৌ-(৩) চোঙসে, হৌ-(৩) হি-য়াই, ললগৈ, পুক্কে সনাজিং চোল্লবনি-এ, ঙসি কোরৌ য়াইফরবা নোংজাদগী য়াইফরে- (৩)। য়াইফরবা ঙসি কোরৌ নোংজাসিগী মরূ-হকপা ৱাচৎ থৌদাংসিনা নোংজাসিগী পনখৈনরি-এ। য়াইফকোল।

থক-খা অনীগী লংদাইফমদি, থক-খাগী লাই পুনফমদি কৈথেল পুংসিদনি-এ। থক-খা অনীগী লাই পুনবা মফমদা য়াইফকোল কোনুং ওইবা য়াবনি-এ। ৱারমসি লৈবনা থক-খাগী লাইবু তাইননবগীদমক্তা কংলৈ ইমা য়াইফকোলনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ইমা লাইরেম্বীগী শঙলেন্দা কংলৈ ঐখোয়না মপূং মরৈ ফাবা, অচংবা, অকাবা, অথোইবা, চয়েৎনদবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক্তা মরূ হকপা থৌদাংসি লৈপাকপোকপা তরেৎলক লৈপাক্কী থৌনি অসি পাঙথোকচগদবনি। অনীরক্তি পাঙথোকচখ্রে। কনাগুম্বা কনাগুম্বীনা ৭লক শুদ্রিঙৈগী মরক্তা খোংলৌ পনলৌবা অপনবা শিন্থা পীবিরক্লোই হায়না নোল্লুকচরি।

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### মালেমগী ঈশৈ নুমিৎ, জুন ২১

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**'ঐদি ঈশৈ শক্লরোই খল্লি য়াদে**
**হা, লেপ্পা লৈতে লোইবা নাইদে ঈশৈ'**

ইসি ঈশৈ ফজবা, শকসি ঈশৈ নুংঙোনবা, থৱায়গী চিঞ্জাক ঈশৈনি, ঈশৈনা মীওইবগী পুন্সিনি, ঈশৈ ঙংদ্রবা মীওইদু হিংবগী নুংঙাইবা খঙলরোই, পোকপগী মহয় য়াল্লরোই। পোকপগীসু ঈশৈ, হিংবগীসু ঈশৈ, শিবগীসু ঈশৈ, ঈশৈ য়াওদ্রবা পুন্সিদি মহৈ য়ান্দ্রবা মপালনি, য়েংলু খুদিং নুংঙাইবা, কুম্মৈগী মহাওদি খঙলরোই। মালেমগী ঈশৈ নুমিৎতা শকসি ঈশৈ পামজবা, ঙংসি ঈশৈ নুংশিনা, থৱায়গী চিঞ্জাক পীজসি, থৱায়না পামজবা খল্লগা। তাইবঙ মীদা নত্তনা থৱায় পানবা খুদিংমক ঈশৈ শকপা ঙাক্তনি, নাপী-শিংবী খুদিংসু হৈরাং লৈরাং পূম্বসু, উপাল-ৱাপাল খিবিকসু, ঈশৈবু তারগা ঙাওজবনি, মঙাওথিবা নোংলৈ মালংসু, ঈশৈবু তারগা তপথজবনি, পূম্নমক শুম্বা ঈশৈনি, ঈশৈ শকসি মীওইব-ও, মালেমগী ঈশৈ নুমিৎতা।

ইঙা পিরাং পিরোইলক্তা, ঐদি ঈশৈ শক্কনি, অয়ূক নুংথিল নুমিদাং, হকচাং নুংদা লোৎলিবা, নুংশিজবা ঐগী থৱায়গীদমক, কায়নখিবৈসু নত্তে নুংশিবীগা, থুংনবৈসু নত্তে চান্নবীগা, পামজরুবগীনি ঈশৈসে নুংশিনা, থৱায়গীসু চিঞ্জাক ওইজবা। ঐদি ঈশৈ শক্কনি, ইঙা থাবল অহিংদা ফুইনা হৌবা নোংলক্তা, থাজ মাবু য়েংলগা- 'নীংশিংলি মেরাগী থাবলদো, থাবলনা চামথোক্লবা মায়থোঙদো, ইকায় নুংশি য়ান্ননা নঙনা ইনাক্তা লেপখিবা। ফিজিনা মায়থোঙ খুমদুনা মায়থোঙ লৈয়দা লুক্তুনা, খূৎ নোইর-নোইরদুনা, খোঙবীনা লৈমায়দা তক্তুনা, করি খনখিবা খঙহৌদে, নীংঙমহৌদনা অহিংদো নোংঙানখিবা খঙহৌদে।

নুংশিজরবা এদিটর, কুমসিগী মালেমগী য়াইফরবা নুমিৎ অসিমদি ঈশৈগী ওইহঞ্জনীংই কংলৈগী লৈমায়দা, লৈখিদ্রবা পাবুং পহারি, লোয়ননা পাবুং জয়ন্তকুমার, অনীবু নীংশিংজবা ওইনা ঐখোয়না। কংলৈপাক মণিপুর অসিদা তোখায়বা ৱাখল থাদোক্লদুনা ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা, য়েলহৌমী পূম্নমক পূনশিন্নদুনা ঈশৈ শকমিন্নদুনা য়াইফমিন্নরসি, হো ইমা পোক্লফম ইমা, নঙগুম্বী অতৈ লৈতে ইমা, কোয়না চৎলসু, লাপ্পা থিরসু, নঙগুম্বী ফংলোই ইমা, খুরুমজরি।

অদোমগী -খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর
কুম্বী খুগা তুরেল ৱাংমা

## মরোল থোকপা লাই

